# নুমিৎ ২২০দগী তাদনা মহৈ অমগদবা মহৈরোয়শিং নুমিৎ ১২০নি ফাওবা শুনা তন্বা ফংলোইদৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মহৈ লোয়শঙশিং ছুটি থাদোক্নুনা লাক্কি। খুদক্কী ওইবা তোয়না তোয়না ছুটি থাদোকপা অসিনা অমাঙবা কয়া মহৈরোয় খুন্নাইদা পীরি হায়না সেগা রোদ টোপ লৈরক মচিন্দা লৈবা ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ্দ প্রাইভেট স্কুল রেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটেরি পি রোমাননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, রাইট টু এদ্যুকেসনগী মতুংইন্না চহী অমদা মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীবগী নুমিৎ অসি নুমিৎ ২২০দগী তাদবা ওইরদবনি অদুগা ঙসি ওইরিবা লৈবাক অসিগী ফীভমনা নুমিৎ ১২০ ফাওবা শুনা লাইরিক তম্বগী মতম ফংদবগী ফীভমদা লাক্লে। মরম অসিনা ঙসি এদ্যুকেসন সেক্টরসিনা লৈরিবা মহৈরোয় কয়াদা খুৎশেমগী অহোংবা কয়া অসিনা তুংগী ইরমদমসিগী যূম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা চাউনা অৱা চৈফু অমা পীরগনি। হোংলক্লিবা অপূনবা লৈবাকসিগী এদ্যুকেসনগী কাঙলোন কয়াবু মতাং মতম চানা ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিংদা খঙহলহৌনবা তোঙান তোঙানবা বোদিশিং ওইরিবা বোসেম অমদি কোসেমনা লৌখৎলক্লিবা থৌরম থৌওাংগী কয়া ওঙাশিংনা নৈনদুনা মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সিদা অমাঙবা কয়া শোয়দনা লাক্লগনি। পুন্নমকশিং অসি খুপ্পা খন্ন-নৈনবগী মতুংদা এসোসিএসন অসিনা লমদম অসিগী এদ্যুকেসনবু অৱাংথাক্তা পুখৎলনা হোৎনরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, স্কুল এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর অমসুং দিরেক্টরদা থংনায়না সেনা পাউখুমদুনা অহিবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে। এসোসিএসননসু থবক অসি ওইনা পাঙথোকহনি হায়বগী থাজবা চাউনা থমজরি হায়রি।

ইরমদমসিদা লৈরিবা সেক্সন খুদিংমক্কী ইচিল ইনাও পুন্নমক্না অমুক্তং খন্নুবিদুনা ঙসি এদ্যুকেসন সেক্টরনা পেরেলোইজ ওইনা লৈরিবসিনা তুংদা ইরৈবাক ইরমদমসিদা মাঙজদবা কয়া খন্নমিন্নবগী মতম লাক্লগনি হায়না হোৎনরি। ঐখোয়গী মীয়াম অমদি মহৈরোয় কয়াদা খুৎশেমগী অহোংবা কয়া অসিনা মহৈরোয় কয়াদা অঙম অথৌ কয়ানা মহৈরোয়শিংদা পীরিবা চৈথেংশিং মুন্না নৈনহৌদ্রবদি ইরৈবাকসিনা চহী কয়াদা মেনখৎপা ঙল্লোইদবা অমাঙবা কয়া শোয়দনা লাক্লগনি। মরম অদুনা মহৈ তম্ফমশঙশিং থোঙ হাংদুনা মহৈরোয়শিংবু মহৈ তম্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

# রিমসকী আই সী য়ুদা থম্লক্লিবী সঞ্জিতানা নাওপুরকপা অঙাং...

*লমায় ১গী মখা...*অপোকপী মমাসু লৈখিদবা থা ৯ খক্তা ৱাহৈরি হায়রদুনা হৌজিক অমুক দিপকতী মচাসু লেপ্লে অদুগা মাগী লোয়নবীনা শিবা চঙবা খঙলনা লৈরি। অঙাংদি লৈখিদ্রে অদুবু মমাদি হিংলি হায়না ডাক্তরশিংনা ফোঙদোক্লি। মখা তাবা ত্রিটমেন্টবুদি তৌগনি অদুবু হিংবগী চান্স লৈরবোই হায়নসু ফোঙদোক্লে। মসি ওইবা তারগদি ঐখোয় হৌজিক করি তৌগদবনো হায়না হংখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা যূম্লক্তা টিয়র গ্যাস কাপ্পদা মীপৌদোক অসি থোকপনি। মরম অসিনা অঙাং অসি মখোয়না থিনগৎপিদ্রে, ঐখোয়গীদি মমা মচা অনীমক পামজে হায়না অঙাং অসি পীশিনবা লাকপনি হায়খি।

অমরোমদা, মীয়াম্না অঙাং অদু পুলিসনা লৌশিনগদবনি হায়না অকনবা প্রেসর পীরকখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমনা রিটিনেস ওইদুনা শীংজমৈ পি এসকী ও সি, এম কক্কররনা রিসিভ তৌরে অদুগা অঙাং অসি রিমসকী মোর্গতা থম্লগনি হায়রকপদগী খোঙজং চঙশিল্লিবশিংগী মরক্তসু য়ানদুনা রিসিভ মেমো অমা ফাওবা থোরকখি। অদুবু অঙাং অদু গেট মনাক্তগী লৌথোক্লুরগা পুলিসকী পেত্রোল গাড়ী অমদা রিমেস পুলিস অনীনা হাপকৎতুনা রিমসকী মোর্চুৱরি তম্না পুনবা হোৎনরকপদগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবী নুপীশিং অদুনা রিমসতা থাম্লগী মতাংদদি য়ানখিবা লৈতে, পুলিস ষ্টেসনদা থমগদবনি হায়দুনা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান চে শেগাইদুনা অঙাং হাপ্পবা পুলিসকী গাড়ী অদু থিংদুনা চৎহনখিদে। রিমসকী মোর্গতা থমগনি হায়না ইবা রিসিভ মেমো অদু নুংথিলগী পুং ৪ তারমদাইদা শেগাইখিবদগী অঙাং হাপকৎলবা পুলিসকী গাড়ী অদু রিমস রোমদা চৎপগী মহুত্তা পুলিস ষ্টেসন মনুংদা থৌজিন্দুনা লৈখি।

অমরোমদা, শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবশিংনা ইম্ফাল-মোরে লম্বী (এন ঐচ-১০২) থিংজিল্লকপা য়াওনা পুলিস ষ্টেসনদা অকায়-অতোয় থোকহন্নবা হোৎনরক্লে হায়বদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ খরা হেল্লকপদা টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা মীয়াম অদুবু তানখায়বা হৌখি। মসিদগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম অমসুং পুলিসকী মরক্তা চাউনা মূক্নরকখি।

পুলিসনা টিয়র গ্যাস কাপ্পদা যূম্লক্তা অমদি থোঙ্গালদা ঙসিসু অমুক হন্না তাশিল্লকপদগী ইমুংদা লৈবা নুপী অমসু মশা ঙল্লক্তুনা রিমসতা পুখৎলকখ্রে। নুপী অদুগী মমিং থৌনাওজম সুবিতা (৫৬) মপুরোইবা টি ঐচ বসন্ত কৌই, ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়দগীনি হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং তানখায়বগী মীংদা মশীং খঙদনা টিয়র গ্যাসশিং কাপ্লকপদা যূম্লক্তা তারকপদগী হকচাংগী ফীভমদা শোকচিনখিদুনা থা ৯ লোম শুগদৌরবা অঙাং নাওপুরক্লিবা সঞ্জিতাগী অঙাং লৈখিদবনি হায়বগী মরী লৈননা ঙসি 'জে এ সী এগেনষ্ট দি ফেইট্যেল কিল্লিং ইনহ্যমেন এক্সন বাই সিক্যুরিটি ফোর্সেস' হায়বা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি অমসু শেমখ্রে।

জে এ সী অসিগী কনভিনর ওইনা খল্লবা নাওরেম রিল্লিয়মনা ঙসি নুমিদাং রিমসতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মথোং হুৱবা থৌওয়না মমাগী পুক্কৃ ংদা নাওপুরিবা অঙাং অমসু লৈখিদবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা থৌওং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা মণিপুর পূম্বদা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউন/জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখি। খোঙজং অসিদা মীয়াম্না মশা-মশাগী থৌদাংনি খনবীরগা শৌগৎপীয়ু অমদি মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

চৈরকসিদা, রিমসকী মীদিয়া সেলদগী থোরকখিবা সঞ্জিতাগী 'ষ্টেটস অপডেট' নি হায়বা চেরোল অমদা মহাক্না নাওপুরকখিবা কিলোগ্রাম ১.৫ লূম্বা লৈখিদ্রবা অঙাং অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপদা মহাক্কী মপা নাওরেম দিপকতা খুৎশিন্নখ্রে। ৱারেপ অসি মহাক্কী মরী-ওইবা শীংখৎতা খন্নরবা মতুংদা লৌখিবনি। অঙাং অসিগী পোষ্ট দিলিভরিদা মমাগী ফীভমদি হান্নগী অদুগুম্না ক্রিটিকেল ওইনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না সঞ্জিতাগী পলসনা ১১৯/মিনিট, বি পিনা ১২৮/৭৫ এম এম ঐচ জি ওইরগা এস পি ও ২না চাদা ৯৯ অমসুং য়ুরিন আউটপুটনা পুং ২৪গী মনুংদা লিটর ১.৬নি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক হৌজিক ভেন্টিলেটর সপোর্ট পীদুনা লৈরি। বি পিগী হীদাক হন্থরক্লবসু ফীভমদি লুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# য়ুনাইটেদ কুকি নেসনল ...

*লমায় ১গী মখা...* মশানা মশাবু ফাইনান্স সেক্রেটরিনি হায়জবা মীশক্লি। মহাক হৌজিক বেলটোলা এরিয়াদা পুলিসকী কষ্টদিদা থল্লি হায়রি।

ওপরেসন অদু অসাম পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা ফংবা অরোনবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্টতা যূম্ফম ওইরগা চখখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, এল এস য়োসেফ চোংলোই অসি চুড়াচান্দপুরদগীনি। মহাক্না মণিপুরদা খক্তা নত্তনা অসামগী ঙমখৈ পরিংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী পোরম য়াৎপা মীওই অমা ওইখিবতা নত্তনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী এন ঐচ-২ পরিংগী সপরমৈনা থোং বোম ফুমদুনা থুগায়খিবা অমসুং তমেংলোংগী মফম অমদা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদকী কনভোয় অমদা নোংমৈনা কাপশিনখিবা থৌদোক অদুসু মহাক্না মরী লৈনরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়রি।

মহাক্কী মথক্তা ভারতিয়া ন্যায় সনহিতাগী সেক্সন ১৪৭, ১৪৮, ১৪৯, ১৫০ অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৬, ১৭, ১৮ অমসুং ২০গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ১৫ ওফ ২০২৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়নসু এজেন্সীগী পাউ অসিনা মখা তারি।

# মপোক কুমওন থৌরম য়ৈথোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস):** মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ম্যেন গেটকা মায়োক্লনা লৈবা নেসনল রিছর্স সেন্টর (এন আর সী), মণিপুরগী ২৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম হয়েং সেন্টর অসিগী কমপ্লেক্সতা লৈবা নাওরেম সনাজাওবা পব্লিক লাইব্রেরি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বদু হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা মখা তাবা চেরোল অমা সেন্টর অসিদগী থোরক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রি।

সেন্টের অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল আর কে গুনিকান্তনা থোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হয়েং পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা মপোক কুমওন থৌরম অসিদা ডা. অরাম্বম নোনি অমসুং সাপম দিলিপকুমার অনীনা এদিট তৌবা 'ইথনিসিটি এন্দ জিও পোলিটিক্স : রেমিফিকেসন্স ওন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া' কৌবা লাইরিক অমসু ফোঙদোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়রি। লাইরিক অসিনা বাংলাদেশ, বর্ম্মা, চাইনা অমসুং ইন্দিয়াগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা লমশিংগী জিও পোলিটিক্সকী মতাংদসু নৈনরি হায়রি। নৈনরিবা অসি মণিপুরদা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী থোরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিদা মীৎয়েং থমদুনা পুথোক্কদবা লাইরিকনি। সেন্টর অসিগী য়ৈথোক্লবা থৌরম অসি করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদগে হায়বদু ফীভম ফগৎলক্লবা মতুংদা লাউথোরক্লগনি হায়রি।

# মণিপুর মূখৎপা য়ারোই হায়দুনা মৈরাগী...

*লমায় ১গী মখা...* মফম অসিগী অকোয়বদা চৎখিবনি। খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা মণিপুর মূখৎপা য়ারোই, ঐখোয়গী ইরমদম কল্লসি, তম্পাক্তা কোম্বিং ওপরেসন তৌবা য়ারোই, খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পি খুদক্তা লৌথোকউ, মীচমদা লান্দারক্লিবা কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংগী মথক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎলু হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

# সঞ্জিতাগীদমক শৌগৎলি, লম্বীদদি ঈরাং...

*লমায় ১গী মখা...*মহাক্না মখা তানা হায়, মৈরা পায়বীশিং নীংথিনা থোক্লগা ঙাক শেনবনা অফবা ওইরগনি। কুকিগা শোক্নরিবা লান অসি লোইদ্রিবনি। য়ারিবমখৈ সিক্যুরিটিগী মখূত্তা অশোক অপন নংবদা নুংঙাইতবা ফাওই। নুপাশিংনা লানফমদা ওইনা চৎলগা কুকি মিলিটেন্টশিং মায়থীবা পীনবা থৌদাং লৌহন্নীংই। হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিদি মীয়াম পূন্নমক্কীনি, ঐখোয় খক্কী নত্তে অদুবু লম্বী সরকতা ঈরাং শাগৎপা, খৎন-চৈনবা তৌবনচিংবা অমত্তা তৌহন্নীংদে। মদুদা অশোক অপন য়াওরকপদা তশেংনা নুংঙাইজদে। মৈরা পায়বীশিংসু পুলিসনা য়াম্না ফজদনা উরে। মসিগী মীৎয়েং অসি উদনবা মৈরা পায়বী ঐখোয়না ঙাক শেন্নবা হোৎনরি।

নুপামচাশিংনসু লান অসি হৌরকপদা ঙাইরিবনি, য়ারিবমখৈ শোকহন্নীংদবদগী মৈরা থোক্তুনা ঐখোয়না ঙাক শেল্লক্লিবনি। লান অসিগী অকনবা তাঞ্জা লাকপদদি নুপা-নুপী ঙাক্তনা পুল্লপ থোক্তুনা লান্থেংনগদবনি হায়খি। অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা যূম্লক, লৈরক্তা চঙশিল্লগা টিয়র গ্যাস/মোক বোম কাপশিল্লক্লিবা অসিসু নুংঙাইতবা ফাওই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ৪দা অয়ূক ...

*লমায় ১গী মখা...* মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ৫দগী হৌরক্লগা নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্কনি হায়রকখ্রবসু খঙহৌদনা ওইরকখিবা ফীভমদগী ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা নুংথিলগী পুং ২ ফাওবদং কোমথোক্লগা পুং ২ তেনশিনখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুরদনা পুং ২ মখায়দা তেনশিনহনখ্রবা মতুংদা হয়েংগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তারকপা ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকপা ওর্দরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 93.013963 |
| US Dollar | 83.914683 |
| British Pound | 110.103798 |
| Australian Dollar | 56.235189 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.826307 |
| Japanese Yen | 0.595472 |
| Malaysian Ringgit | 19.504247 |
| Singapore Dollar | 64.568003 |
| South Korean Won | 0.063096 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.377249 |
| Thai Baht | 2.514577 |

# চীফ মিনিষ্টরগী পৱার শীজিন্নদ্রবদি কৈদৌনবা ওইরিবনো...

*লমায় ১গী মখা...* সিক্যুরিটি এদভাইজরনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন ওইরগনি হায়বনি। য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন কুলদিপতা পীরে অদুবু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মথৌ তাবা মতমদা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীটিং কৌবা ঙম্মী অদুগা অদুগুম্বা মীটিং অদু চীফ মিনিষ্টরনা হেদ ওইগনি হায়বদি চ্যের লৌগনি হায়বনি। মসিনা তাকপদি মথৌ তাবা মতমদা মীটিং কৌবা ঙম্বনিনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মকোক চীফ মিনিষ্টরদা অদুমক লৈরি। য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন ওইদ্রবনি হায়দুনা চীফ মিনিষ্টর মশানসু লো এন্দ ওর্দরসু মহাক্না পায়দবগুম হায়রক্লে। খোঙ-খূৎ পুনশিল্লগা ইরোইয়ু হায়বা য়াৱা হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী চ্যেরমেন অমনা ওইরবসু অমনা ওইরবসু চীফ মিনিষ্টর হায়বসিদি ষ্টেট অমগী হেদনি। ইমর্জেন্সি নৎত্রগা প্রিসিদেন্ট রুল লৈবা মতমদা খক্তা সেন্টরনা ষ্টেটকী পৱার লৌশিনবনি। চীংনা ঐনা তৌরগে, তম্না নঙনা তৌরো হায়বদু এদমিনিষ্ট্রেটিভ কনভিনেন্সকী পৎহায় হায়বা নত্তনা লোদা য়াবা ৱাফম নত্তে। ইমর্জেন্সিসু লৈতবা অদুগা প্রিসিদেন্ট রুলসু লৈতবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরগী পৱার চপ চানা লৈ। লৈতবা তারবদি অমসুং তৌহন্দবা তারবদি নৎত্রগনা চীফ মিনিষ্টরগী পৱার অদু শীজিন্নহন্দবা তারগদি কৈদৌনবা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবনো হংখি। মরম অসিনা মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মতাংদা মীয়াম্বু অমুক ঙাওহন্নবা অমদি ঐহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু অরানবা ওইনা উহন্নবা হোৎনবসি ঐবু মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনবনি হায়না লিগেল এক্সন ফাওবা লৌবা য়াই। অসিগুম্বা থৌওং মতুংদা তৌহন্নীংদে হায়খি।

সিনিয়র এদভোকেট খাইদেম মনিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা লমদমসিদা মরূ ওইনা তম্পাক্কী মফমশিংদা ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমগী য়েংলদুনা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থমজিনবা অমদি ইন্টর্নেট থিংজিনবা অসিনা মীয়ামগী রাইট মাঙহল্লে। লৈঙাক্না মীয়াম্বু কা মনুংদা ছো লোনশিন্দুনা শ্বর ফুলহন্দুনা থম্বগুম থোক্লে। কর্ফিয়ু হায়বসিদি য়াল্লবদা থা ২ খক্তং থমগদবনি অদুগা তঙাইফদনা থা ৬ ফাওবা শাংদোকপা য়াই অদুবু মণিপুরদদি মমাঙ চহীগী মে থাদগী থা ১৬ অয়ুক নুংথিল কোমথোক্লবসু নুমিদাংগী মতমদা কর্ফিয়ু লেপ্তুনা থমজিল্লক্লি। তঙাইফদনা থমদবা য়াদ্রবসু নোংমা ওইরবসু গেপ লৈগদবনি। মতম কক্তনা কর্ফিয়ু থমজিল্লগা লো এন্দ ওর্দর কন্ত্রোল তৌগনি হায়বা ৱাখল মতম চূপ্পগী ওইনা থাদোকহন্নীংই। অমরোমদা ইন্টর্নেট থিংবনা মীয়ামদা চাউনা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। থৌওং অসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক মীয়াম্না অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা হায়বসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পার্টিগী খেন্নবা তুংওইনরল্লগা পূনশিনবা ঙম্নবা চীফ মিনিষ্টরনা ওল পোলিটিকেল পার্টি মীটিং কৌদুনা পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক্কী কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমা শেমদুনা নার্কো টেররিষ্টশিং থেংনবদা অমদি মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবশিং থেংনবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিল্লুনবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমা চীফ মিনিষ্টরনা চ্যেরমেন ওইদুনা কোংগ্রেসকী মীহুৎ অমনা ভাইস চ্যেরমেন ওইহনবগা লোয়ননা অতৈ পার্টিগীসু মীহুৎশিং য়াওদুনা হোৎনরবা অদুগা দেল্লীদা চৎতুনা নরেন্দ্র মোদিদা নুমিৎ অসুক্তা তককশিল্লুনি হায়না হোৎনরকপা মতমদা মীয়ামসু অদুমক পূনশিল্লক্কনি। লৈরিবা সী এস ও ময়ামসু মাগী মাগী ৱাখল্লোন অদু মতম খরা থৈদোক্লগা কম্মন মিনিম্মম প্রোগ্রাম শেমদুনা পূনশিল্লগা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপশিংগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা চঙই হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নেসনল লোক অদালট ...

*লমায় ১গী মখা...* দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঙসি নেসনল লোক অদালটকী কেলেন্দর য়র ২০২৪গী মতুংইন্না অহুম্লকশুবা নেসনল লোক অদালট মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা পাঙথোকখিবগুম্না হায় কোর্ট লিগেল সর্ভিসেস কম্মিটিনসু শীন্দুনা কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈবা কেসশিংগী সেট্টলমেন্ট পুরক্নবগীদমক নেসনল লোক অদালট পাঙথোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা নেসনল লোক অদালটশিংদা পন্দুনা লৈরকপা য়াওনা প্রি-লিটিগেসন কেস ১৫০০ রোম লিষ্ট তৌখি। কেসশিং অসিগী মনুংদা কোর্টশিংদা পন্দুনা লৈরক্লিবা সিভিল কেস অমসুং ক্রিমিনেল কম্পাউন্দেবল কেসশিং, বেঙ্ক রিকোভরি, এম এ সী টি, মেত্রিমোনিএল দিসপ্যুটস, নেগোসিএবল ইন্সত্রুমেন্ট এক্ট অমসুং ৱাটর বিলগী কেসনচিংবা য়াওখি। কেস ২১০ লৌখৎপগী মনুংদা কেস ১৭৩বু মপূং ফানা লুপা ২,০৩,১৬,৭৩৭তা সেট্টলমেন্ট পুরকখি হায়রি। ঙসি পাঙথোকখিবা লোক অদালটশিংবু মায় পাকহনখিবগীদমক মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি অলেক মুইভাগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী চেরোল অমনা হায়বদা প্রিসাইদিং ওফিসরশিং, জুদিসল ওফিসরশিং, এদভোকেট অমসুং মসলসাগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এস দেবানন্দ য়াওনা এদভোকেটশিং, পেরা লিগেল ভোলন্টিয়রশিং, কোর্ট অমসুং মসলসাগী ষ্টাফশিং, বেঙ্ক অমসুং ইন্সুরেন্স কম্পেনিগী ওফিসলশিং, প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীওইশিং য়াওনা লোক অদালটশিং অসিবু শরুক য়াদুনা মায় পাকহনখিবা পূন্নমক্কী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

অমরোমদা, থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট কমপ্লেক্স (খাঙবোক) তা পাঙথোকখিবা লোক অদালটতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেসন্স জজ সামোম ইবজেন অমসুং ফেমিলি কোর্টকী জজ ৱাইখোম তোনেন মৈতৈনা চ্যেরপর্সনশিং ওইবা বেঞ্চ অনী লৈখি। অদুগা বেঞ্চশিং অসিদা এদভোকেট খাইদেম ববিতা, খাঙেম্বম অরুঞ্জয়, চোংথাম মনিশ্বর অমসুং খোইস্নাম লেম্বীস্না মৈদিংঙুনা মেম্বরশিং ওইখি।

অয়ূক পুং ৮দগী হৌরক্লগা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তারকপা ফাওবা চখখিবা লোক অদালটতা ক্রিমিনেল কেস অনী, সিভিল কেস অনী, এন আই কেস অমা অমসুং থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বেঙ্কশিংগী য়াওনা প্রি-লিটিগেসন কেস ২৬৩ য়াওনা পূন্না কেস ২৬৮ লিষ্ট তৌখি। কেসশিং অসিগী মনুংদা ক্রিমিনেল কেস ২, সিভিল কেস ২ অমসুং এন আই কেস অমা পূন্না ৫ অমসুং প্রি-লিটিগেসন কেস ২৯ লৌখৎখি। মসিগী মনুংদা এন আই কেস ১গা প্রি-লিটিগেসন কেস ২৭পু লুপা ৫১,৬৪,৩২৩দা সেট্টলমেন্ট পুরকখিবগা লোয়ননা লুপা ৮,১৫,২০০ রিকোভর তৌখি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী সেক্রেটরি ইন চার্জ ডা. লাইশ্রম রিনাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

**'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**GAS NEWS**

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO 10/06/24**
VALID FROM 02/06/24
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO.
8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING
9:AM TO 3PM WILL BE
DELIVERY FOR THREE
DAYS (5 kg Ujjwala
Cylinder Available

**HL Poll**

Q : Maheiroising, Meira paibi amasung meeyamgi khongjangbu pangalna namthagani haiduna khallabadi henna sathiba thoudoksing thorakloidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Internet/Mobile Data service sing athingba thamjillakpana meeyamgi senmitlon sokchinhanbada achouba mateng pangani haibada langadra?

Yes 50% No 50%

**অস! লোইরেহে!**

- ঐনা নুপী ১০মুক লৌবদা নঙমুক নুংশিবা য়াওদে।

- ꯑꯩꯅ ꯅꯨꯄꯤ ꯱꯰ꯃꯨꯛ ꯂꯧꯕꯗ ꯅꯉꯃꯨꯛ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕ ꯌꯥꯎꯗꯦ॥



- নুপীদু খরা য়াম্নগা লৌবীখো ঐঙোন্দগী হেনবা য়াওরম্মি।

- ꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯈꯔ ꯌꯥꯝꯅꯒ ꯂꯧꯕꯤꯈꯣ ꯑꯩꯉꯣꯟꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯕ ꯌꯥꯎꯔꯝꯃꯤ॥

# থোরক্লিবা ঈরাংসি মীয়াম্বু থা ১৬ মৈথক্তা ফমহল্লগা থল্লকপদগীনি...

*লমায় ১গী মখা...*হায়বা লৈত্রি। চহী কয়া অমা অফম্পাগী মরুমদা মীওই কয়াগী পুন্সি পিখম্নহনখ্রে। নুপী কয়া মপুরোইবা লৈতবী ওইহনখ্রে। মসিগীদমক মীয়াম্না ঈহৌ হৌদুনা থেংনদুনা লাকখ্রিবনি। মণিপুরগী মীয়াম্না নে তাদবা পুন্সি মহিং অমা মতম শাংনা মায়োক্লরকখি। মসিগী মথক্তা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচাশিংদা খাইবুং-খাইবুং তাহন্নবা ৱাখল্লোন শাগৎলকপা থেংনরক্লিবনি। মমাঙদসু জুন ১৮গী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোক অদু থোক্লক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাল্লোং শিনখিবনি। সিজ ফায়রগী এগ্রীমেন্টতা 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট' হায়বা ৱাহৈ অহুম হাপচিল্লকখিবনি। মসিগী মতুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতসু লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমী ঐখোয় মশেল খাইদোক খাইজিন তৌনহল্লগা নুংশিনদনবা অমদনা অমা হায়জিনবা, অমদনা অমা হায়জিনবগী থৌওং চখ্তরকখিবনি। মসিগী লাংদা ঐখোয়গী মীওইশিং থুহল্লকখি। ঐখোয়গী মরক্তা চিংথোক-চিংশিনগী অৱাবা ময়াম অমা খাঙলগা লাকখ্রবনি। মসিদগী খরা হাইদোরক্লগা অমুক হৌজিক কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী লান হৌরক্লিবসিনি।

ওইরক্লিবা কনফ্লিক্ট অসিনা মীতৈশিংদা য়েক্লবা ওইহন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মখোয়গী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা মীতৈদা লান দারকপনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম শাংনা মখোয়গী লৌখৎফম থোকপা থৌদাং লৌরম্লবদি ঙসি থোরক্লিবা ঈরাংশিং অসি থোক্লম্লোই। খাইবুং তাননবা চিংথোক চিংশিন শান্নরিবা অসিগী তেকচাক খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুগদবনি। মরমদি মখোয়গী লৈঙাক অসি সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্লি। মতম চানা মীয়ামগীদমক তৌফম থোকপা থৌদাং লৌদুনা তৌরক্তবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা তংদু লৈতাদবা ফীভম মায়োক্লরিবনি। খাইদগী মরূ ওইবদি মখোয়গী এট্টিচ্যুদ অমসুং পোলিসিশিং অসি হোংদোক্লবা মতুংদা তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকপা চঙলি।

য়ু সী এমগী প্রিসিদেন্টনা মখা তানা হায়, মীয়ামগী অপরাইজিং অমা ঙাইবগী মহুত্তা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিংদা অতোনবীগী মচাগী মীৎয়েং য়েংলিবা অসি থাদোক্কদবনি। মীয়াম্বু তুহৎ নৈহৎলগা মখোয়গী পোলিটিকেল গোল ফংগনি হায়বদি অচুম্বা ওইরোই। মরম অসিনা য়ু সী এমগী ওইনদি নেসনল ইন্টিগ্রিটি, টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়দনা থম্বা হায়বসিনা পান্দমনি। পান্দম অসি অহোংবা লৈত্রি। এক্সটর্নেল এফেয়রস ওইবা য়াই, ইন্টরনেল এফেয়রস ওইবা য়াই নৎত্রগা ইন্দিয়া লৈঙাকসু ওইসনু হান্নদগী ময়াম অমা থেংনদুনা লাকখ্রবনি। থেঙ্খাং কয়াদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরকপদগী জুন ১৮গী থৌদোক্তগী হৌরগা খোঙফম চেৎনা লেপ্পল্লক্লি। মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপদা মীয়াম্না থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়রকখি।

মৈ চাক্লিবা মফমশিংদা ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিং থোক্তুনা লান ঙাক্লি। মখোয় মশাসু ঙাকথোকচনবা হোৎনরি। অদুবু ঈরাং অসি লোইদ্রিঙৈদা লাইসেন্স ওইরবসু নোংমৈ পূন্নমক খুল ঙাকপশিংদগী লৌখৎকনি, তম্পাক খক্তংদা মীৎয়েং চঙগনি হায়রবদি নাকল নাম্মতদা য়েংবা মীৎয়েংনি হায়না লৌগনি অমসুং য়ু সী এমনা য়াবা ঙল্লোই হায়রকখি।

ঈরাং হৌরকপা মতমদা মশা মশাগী মথৌ নীংথিজনা তৌখিদবশিং অদুগী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎকদবনি। সী এস ওশিং হায়বসি লৈঙাক্তা প্রেসর তৌবা লুপ ওইনা লৈবনি। থবক্তা ওন্থোকপা ওন্থোক্তবনা লৈঙাক্কীনি। মীয়ামগী খোল্লাও তাবদুবু গুদ গভর্ণান্স কৌই। মীয়ামগী খোল্লাও নমশিল্লগা থম্বা লৈঙাক্তি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক্লি হায়গনি। অফবা লৈঙাক অমা, খুন্নাই অমা লৈহনবদু পাম্বদগী মীয়াম হৌরক্লিবনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলুপ অমনা মখোয় খক্তং চাওখৎলগা মণিপুর চাওখৎকনি হায়বা লাল্লি। মপান্দগী ওইরো, মনুংদগী ওইরো মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি য়ু সী এমনা থেংনগনি হায়রকখি।

# ঙাইহাক লৈতনা লান থোক্লিবসি লৈঙাক পান্দ্রবরা, তম্পাক্কী মীওইশিং উশিৎতবনি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংপোক্পীদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

মোইরাংথেম বিদ্যারানিনা মখা তানা হায়, অকোনবা ফোন তৌরকপদদি ঐসু থবক চিনবদগী পায়হৌদ্রে। মতম অদু নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৬.৩০ রোম তারল্লগনি। অদু ফাওবদা কাংপোকপীদা ঈরাংগী মমি তাখিদে। অদুবু মোটবুংদদি লাঙবা হৌরক্লে হায়না তাখি। ঐঙোন্দা তৌরকখিবা ফোন অদু ইপুরোইবনা পায়খৎলগা ৱারী শারবা মতুংদা ঐঙোন্দা হায়রকই, লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরো, ইচে কৌরুখিগে হায়রল্লগা চৎখি। ইপুরোইবগী মচে ঐগীনা ইনম্মা অদু খরা লাপ্পনা লৈবনি। মহাক্না ইনম্মা কৌরুগে হায়রম্বা খক্তনি, লোইশিল্লু হায়বদগী হেন্না করিসু হায়রমখিদে। অদুবু ঐখোয় য়ূম থাদোক্তবদি য়াররোই হায়বা ৱাহৈ অমদি পল্লমখি। ইচাসু মপানা হায়রম্বদগী লাইরিক পাবদা শেৎপা ফিরোলদু হোংদোকখি। মদুগী মহুত্তা থবক শূবদা শেৎপা ফিদু ওইনা শেৎখি। ঐদি তৌফম খঙদনা ইমুংদা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈখি। ইপুরোইবা লাক্লগা ছো লোনশিল্লো হায়রকপদগী ছো লোনখি।

কা মনুংদা থোঙ অমা, চাকশঙগী থোঙ অমা, ময়ায়গী থোঙ অমসুং গেটকী য়াওরগা ছো মরি লোনবনি। অদুবু অতৈ কাশিংগী ছোদি য়াওরমদ্রে। গেটকী ছো খক্তং য়াওরমখি। ইচা অনীদি ইম্ফালদা কোলেজ কাবনিনা মফমদুদা লৈখিবনি। ইচা অমগা মপাগা ঐখোয় অহুম থোরল্লগা ইচেহোয় য়ৌনবা চৎলে। ইচেহোয় রোমদা করিগুম্বা ঐখোয় চৎলমদ্রবা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। য়ূমথংনরিবা য়েৎলোম মায়রোম অনীমক ময়াং ঙাক্তনি। মখা রোমদনা কুকিগী য়ূমশিং লৈ। মরম অদুনা ময়াংগী য়ূমদা চঙশিন্দুনা লোৎলবসু নুংঙাইররোই খনখি। চাক চাবসু নংলরোই হায়রকপদগী মৈ ফাওবা মূখৎলম্ব্রা মূখৎলমদব্রা খঙদ্রে। চাক থোংবগী মৈ ফাওবদি মূখৎলম্মী। লম্বীদা অঙম্বা খরা কাখৎলকপদা কুকি মমা মচা অমা থেংনবদগী নুংঙাইতদুনা লৈশিল্লগা লৈখি। ইচেগীদা চঙলুবদা মহাক্না অনৌবা নত্তে, অরিবা ঈরাংনি চাক চাখিসি হায়রকখি। তাঞ্জাদুদা ৱার্দ নম্বর ১৩গী চ্যেরমেননা ফোন তৌরক্তুনা ইপুরোইবা লৈব্রা হংলকখি। মহাক হংলক্লিবা করিগীনো হংলুবদা করিসু তৌরোই, নুংঙাইনা য়ূমদা লৈয়ু হায়রকখি। অদুবু মহাক য়ু থল্লগা হায়রকপনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রকপদগী ঐনা য়ূমদা লৈ হায়দুনা খুল্লুবদা মঙ ফরসি হায়রগা থমখি।

মতমদুদগী কাংসি খিংবা হৌরকখি। মখোয় মশেল মীতৈ থিয়ু হায়দুনা লাউনবা হৌরকখি। ইচেহোয়দগী অমুক চেন্থোরল্লগা ময়াং অমগী য়ূমদা লৈখি। মতমদুদদি ঙায়োনফম ফম্বা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরকপগা লোয়ননা ইচেহোয়গী দুকানসু থুগাইবা হৌরকখি। মহাক্কী গাড়ী অনীসু মৈ থাখি। ফীভমদুদগী ময়াংগী য়ূমদুদগী চেন্থোরল্লগা নেপালিগী লৈরং তারগা শাবা য়ূম অমদা অমুক চঙখি। অদুবু মখোয়নসু লৈবা নুংঙাইরোই হায়রকপদগী চেন্নবা লম্বী তাকপীরকখি। মৈসু মম্বনিনা তৌফম খঙখিদে। অদুবু লেপ্তুনা চেল্লকপনা পুলিস ষ্টেসন য়ৌরকখি। পুলিস ষ্টেসনদু মী ইতাক তাল্লমখি। মখোয় অয়াম্বা কুকি ঙাক্তনি, মীতৈদি অনীখক্তং থেংনরকখি। ঐখোয়না চঙশিল্লুবদা মীতৈ খরসু হান্না লৈরল্লে। নুমিৎতু পুলিস ষ্টেসনদা লৈরবা মতুংদা নোংঙাল্লগা এস পিগীদা থিনখি। মতুংদা আর্মি কেম্পতা অমুক থিনবীরকখি। অদুগা লাইরৌদা অমুক পুখি। মফম অদুদা নুমিৎ নীনি লৈরবা মতুংদা সেকমাইদা য়ৌরকখিবনি। সেকমাইদা মতম খরা লৈরল্লগা লম্ফেইখোংনাংখোঙগী রিলিফ কেম্প অসিদা ঙসি ফাওবদা লৈরক্লিবনি হায়না পাউদল্লকখি।

**ꯋꯥꯔꯗꯦꯟ / Warden পামজৈ**

Class IX & X শেন্নবা ঙমগদবা B.A/B.Sc লোইরবা Male Warden অমগা Female Warden অমগা অথুবা মতমদা পামজৈ। খঙবীনীংবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

**P.N- 7005062450**
Place : **New Model Public School Moirang Khoiyangbam Leikai**
Salary - **Negotiable**

HL-P/1186/15

**ꯏꯃꯥ ꯄꯥꯟꯊꯣꯏꯕꯤ / ইমা পান্থোইবী হাওবম মরক চিংথাম লৈকায়গী 'লোইদাম লাংবন থাগী হৈরাং-হৈশোয় তমজগদৌরি'**

লাক্লিবা সেপ্টেম্বরগী তাং ১৮, লাংবনগী ১৫/১৬নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা হাওবম মরক চিংথাম লৈকায়দা ঙাম্থোইরিবী ইমা পান্থোইবীগী কংলৈদা থানিল খুদিংগী অয়ূক পুং ৭.০০ তাবা মতমদগী য়াকাইপুঙ কাদুনা হৈরাং-লৈরাং, মৈরা-মেক্রুক লাঙদুনা থৌনিজবগা লোয়ননা লোইদাম লাংবন থাগী হৈরাং-হৈশোয় শেমজদুনা লাইওইখ্রবা/লাইওইখ্রবী ইমা পান্থোইবীগী থৌগলদা থৱায় হকচাং য়াওনা থৌগায় পুদুনা ইমাগী খুভম য়ারম্বগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপীরল্লবশিংগী থৱায় মীরেলশিং অমদি ইরৈবাক-ইরমদমগীদমক থৱায়না পোল্থা পীখ্রবা/পীখ্রবীশিংগী থৱায় মীরেলশিংদা লাংবন থাগী হৈরাং-হৈশোয় তম্বগী অহৌবা নুমিৎসিদা য়াকাইপুঙ অসিদা লমদমসিগী লাইমিৎলোন পুবিরিবা পূন্নমক অমদি নুং পুবিরিবা অখঙ-অহৈ খ্বাই ময়াম্না লাইপুঙদা কাবিরক্তুনা হৈরাং-হৈশোয় তম্বগী থৌরম্বু ইথৌদাংনি খন্না মপূং ফাহনবীয়ু।

অরোইবদা ইমা পান্থোইবীগী মশাইকোল অসিগী মপারি-মমোম ওইরিবশিংনা হৈরাং-হৈশোয় তম্বীনীংবা লৈরবসু ইমাগী কংলৈ শুমাংদা অয়ূক্কী পুং ৮.০০ নংনবা কাবিরক্তুনা হাওবম মরক চিংথাম লৈকায়দা লৈরিবা পৃখ্রি অচৌবা অসিগী লাইজ ইরোলনুংদা অয়ূক্কী পুং ১০.০০ তাবদা লাইশোন থৌরম পাঙদুনা হৈরাং-হৈশোয় তমজগনি হায়না মীয়ামদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

পাউজেঞ্জরিবা : চিংথাম রঞ্জিৎ
সেক্রেটরি ইমা পান্থোইবী হরাওবা কম্মিটি
হাওবম মরক চিংথাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট

HL-P/1185/15